# স্বিম্মর হিরেন শগোলশেমনা এসিয়ন এজ গ্রুপ এক্কাটিক চেম্পিয়নশিপ্তা মিৎয়েং থল্লি



ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচ এন এস) : পীক্লবা ষ্টেট অমা ওইরিবা মণিপুরনা ইন্দিয়াগী শান্নবগী লমদা মাঙজিল থাদুনা মশান্না কয়াদা অচৌবা ফিদা অমা কন্দুনা লাক্লি। মণিপুরনা মাঙজিল থাগৎলক্লিবা মশান্নশিংগী মনুংদা স্বিম্মিং হায়রিবা মশান্না অসিসু অমনি।

মণিপুরদগী স্বিম্মর কয়া নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা পুথোকখ্রবা মতুং চহী নৌরিবা স্বিম্মর হিরেন শগোলশেমনা ইন্টরনেসনল চেম্পিয়নশিপশিংদা মিৎয়েং থম্বা হৌরক্লি।

ঙসি পাউচে অসিগা হিরেন শগোলশেম অমসুং মহাক্কী অপোকপগা অজিৎ শগোলশেমগা উনরুবদা মতৌ করম্না স্বিম্মিং মশান্নদা চঙলকখিবনো অমদি ফীভম অসি য়ৌরক্লবা হোৎনবদা অপোকপা অমা ওইনা লৌরকখিবা থৌদাংগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকখি।

পীক্লি ৱৈঙদগী হৌনা হিরেন শগোলশেম মহাক্কী অপোকপনা মশান্না অসিদা চঙহল্লক্তুনা অয়ূক নুংথিল খাক্তনা য়াম্না কূপ্না মচাবু করিদা শোয়খিগদগে হায়না মিৎকুপ নাহুমশিংনা শেন্নদুনা ঙসি ফাওবা লাক্লি। বি টি রোদতা লৈবা রুপমহল টেঙ্কতগী হিরেন শগোলশেম কুমজা ২০০৪ গী ওগষ্ট ৭ তা পোকখি। মহাক্কী অপোকপগী মীংনা অজিৎ শগোলশেম অমদি অপোকপীগী মীংনা থাদোই সাপমনি।

হিরেন শগোলশেম মহাক্কী অপোকপনা কুমজা ২০০৯ দা খুমন লম্পাক স্বিম্মিং পুলদা য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টনা শিন্দুনা থা ৬ কী ওইনা পাঙথোকপা রিগুলর কোচিং কোর্সতা শরুক য়াহল্লকখি। চহী অমরোম আর সী সীদা স্বিম্মিং শান্নরম্লবা মতুং সাই এস এ জি খুমন লম্পাক্কী স্বিম্মিং অমসুং দাইভিংগী কোচ দেবেশ্বর থেংনরুবদগী ওজা অসিগী মখাদা স্বিম্মিং মশান্না মখা তানা শান্নরকখি।

সাই এস এ জি ইম্ফাল খুমন লম্পাক্কী কম ইন প্লেগী শান্নরোয় অমা ওইরিবা হিরেন শগোলশেম কোচ দেবেশ্বরগী মখাদা অয়ূক নুংথিল পাদুনা শান্নরকপনা কুমজা ২০১১ অমসুং ২০১২ দা ষ্টেট এজ গ্রুপ এক্কাটিক চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াবা হৌরকখি অদুবু মেদলদি ফংবা ঙমখিদে।

শান্নববু থৱায় হকচাং য়াওনা পামজবা হিরেন শগোলশেমগী অপোকপা অজিৎ শগোলশেমনা মহাক্কী মচাবু অফবা স্বিম্মর অমা ওইহন্নবগীদমক কুপশেন শেন্নদুনা লাকপগা লোয়নআ অৱাৎপা অমত্তা লৈহন্দনা লাক্লি।

অচৌবা আশা অমগা লোয়ননা হিরেন শগোলশেম নোংমতা কাংদনা প্রেক্টিশ তৌরকপনা কুমজা ২০১৩ গী জুন ২০ দগী ২৩ ফাওবা গোৱাগী পনাজিদা পাঙথোকখিবা৩০ শুবা সব জুনিয়র নেসনল এক্কাটিক চেম্পিয়নশিপকী বোইজ গ্রুপ থ্রি অমসুং ফোরদা শরুক য়ারকখি। অদুবু লাইবক থিবদি হায়রিবা সব জুনিয়র নেসনল অসিদা মেদল লৌবা ঙমখিদে।

থৌনা হনবা লৈতনা হিরেন শগোলশেমনা য়াম্না কন্না হোৎনরক্তুনা অহানবা ওইনা ৩১ শুবা সব জুনিয়র নেসনল এক্কাটিক চেম্পিয়নশিপ ২০১৪ গী বোইজ গ্রুপ ফোরগী মিটর ১০০ গী ফ্রি ষ্টাইলদা অহুমশুবা পোজিসন ফংলকখি।

মখা তানা কুমজা ২০১৫ গী জুলাই ১৩ দগী ১৯ ফাওবা মহারাষ্ট্রগী পুনেদা পাঙথোকখিবা ৩২ শুবা সব জুনিয়র নেসনল এক্কাটিক চেম্পিয়নশিপকী বোইজ গ্রুপ থ্রিগী মিটর ৫০ অমসুং ১০০ গী ফ্রি ষ্টাইলদা অনীশুবা পোজিসন তারকখি। তপ্না তপ্না হিরেন শগোলশেমগী পার্ফোমেন্স ফগাৎলকপনা কুমজা ২০১৬ কী জুন ২৯ দগী জুলাই ২ ফাওবা বেঙ্গলোরদা পাঙথোকখিবা ৩৩ শুবা সব জুনিয়র নেসনল এক্কাটিক চেম্পিয়নশিপ্তা য়াম্না অঙকপা মওংদা মহাক্না পার্ফোমেন্স পীদুনা অনৌবা নেসনল রেকোর্দ বোইজ গ্রুপ থ্রিগী মিটর ৫০ গী ফ্রি ষ্টাইলদা থম্বা ঙমখি।

চেম্পিয়নশিপ অদুদা হিরেন শগোলশেমনা অনৌবা নেসনল রেকোর্দ অমা য়াওনা গোল্ড মেদল ৩ অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ১ ফংদুনা মণিপুর স্বিম্মিং এসোসিএশন, মহারাজ গরিবনিৱাজ মেমোরিএল ক্লব অমদি ষ্টেন্দর্দ কোলেজনা মেরিটোরিয়স এৱার্দ পীদুনা হিরেন শগোলশেমবু পূক্নিং থৌগৎপগা লোয়ননা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

নেসনল চেম্পিয়নশিপ্তা গোল্ড মেদল অহুম অমদি ব্রোঞ্জ মেদল অমা ফংদুনা হিরেন শগোলশেমনা মণিপুরগী ওইনা ফিদম্লিংঙাই ওইরবা মীংচৎ পুরকখি। চেম্পিয়নশিপ অদুদা মহাক্না মিটর ১০০ গী ফ্রি ষ্টাইল অমদি মিটর ২০০ গী ফ্রি ষ্টাইলদা গোল্ড মেদল ফংলকখি। মিটর ৫০ গী বট্টরফ্লাইদনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকখি।

কুমজা ২০১৬ কী সব জুনিয়র নেসনলদা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীখ্রবা মতুং হিরেন শগোলশেমনা চহীসিগী জান্যুৱারী ২৬ তগী ২৯ ফাওবা টেলঙ্গনা, হায়দ্রবাদকী জি এম সী রাচিবৌলিদা লৈবা জি এম সী বলাযোগি এক্কাটিক সেন্তরদা পাঙথোকখিবা অহানবা ওল ইন্দিয়া ইন্টর ক্লব স্বিম্মিং কম্পিটিসন্দা শিলভর মেদল অমা অমদি ব্রোঞ্জ মেদল অনী ফংলকখি।

তুংগী আশা চাউনা লৈরিবা স্বিম্মর হিরেন শগোলশেমনা চহীসিগী জুলাই ৩ দগী ৬ ফাওবা পুনেগী বলিৱাদিদা পাঙথোক্কদৌরিবা জুনিয়র নেসনল এক্কাটিক চেম্পিয়নশিপ্তা তোঙান তোঙানবা ইভেন্ট মঙাদা শরুক য়ানবগীদমক য়াম্না কন্না কোচ দেবেশ্বরগী মখাদা হৌজিক হৌজিক ত্রেনিং চখুরি।

হিরেন শগোলশেমনা চেম্পিয়নশিপ অসিদা মিটর ৫০, ১০০, ২০০ অমদি ৪০০ গী ফ্রি ষ্টাইল অদুগা মিটর ৫০ গী বট্টরফ্লাই ইভেন্টতা শরুক য়াগনি। পাঙ্গৈদা লৈবা হন্দ্রেদ ফ্লৱার স্কুলদা ক্লাস আইট তম্লিবা মহৈরোয় হিরেন শগোলশেম মশাগী চহী ১৩ খক্তা ঙাইরি। মহাক্না চহী ৬ শুরকপা মতমদগী হৌনা স্বিম্মিং মশান্নদা খোঙদারক্তুনা লমদমসিগী অফবা স্বিম্মর অমা ওইদুনা লাক্লি। অফবা ইন্টরনেসনল স্বিম্মর অমা ওইনবগীদমক হিরেন শগোলশেমনা ইন্টরনেসনলদা খোঙ থাংজিন্নবগীদমক শেম শাবগা লোয়ননা চহীসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন এজ গ্রুপ এক্কাটিক্তা শরুক য়াদুনা লমদমসিগীদা নত্তনা লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরক্কবা য়াম্না কন্না হোৎনরি।

# ভর্মা য়ুনিটি কপ্তা মণিপুরনা বিহার রন ১১৮ দা মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচ এন এস) : ক্রিকেট এসোসিএশন ওফ বিহারনা শিন্দুনা বিহারগী কোনুং পটনাদা ঙসিদগী চখৎবা হৌখ্রবা তরুকশুবা ওল ইন্দিয়া ইনভাইটেসন এম পি ভর্মা কম্পিটিসন প্রাইজ মনি য়ুনিটি কপ ২০১৭ কী ঙসি অহৌবা নুমিৎতা মণিপুরনা বিহার রন ১১৮ দা মায়থীবা পীখ্রে।

পটনাদা লৈবা রাজ বনসিনগরগী বিহার ইলেক্ট্রিসিটি বোর্দ ক্রিকেট গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা মণিপুরনা বিহারবু য়াম্না লাকচনা শান্নদুনা রন ১১৮ দা মায়থীবা পীখি।

মেচ অদুদা বিহারনা টোস ঙমদুনা ফিল্ডিং তৌনবা খনখি। অহানবা বেট্টিং তৌখিবা মণিপুরনা য়াম্না হৈশিংনা শান্নদুনা ওভর ৩৮ দা ৱিকেট তরেৎ আউট ওইরগা রন ২৩৮ স্কোর তৌখি।

মণিপুরনা অহানবা বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ৪০ দা ৱিকেট ১০ আউট ওইরগা রন ২৩৮ লৌখি। মণিপুরগী বেটসমেন নরসিংনা রন ৬, মিনতুনা রন ৮২, প্রিয়োজিৎনা রন ৭৪, অক্সেনা রন ১৭, সুলটান্না রন ৩, কেনেদিনা রন ১, ওলেন্দ্রোনা রন ২১, ৱিল্লিয়মনা রন ১৮, রাজেস পাটেলনা রন ১ লৌখি।

ফিল্ডিং তৌখিবা বিহারগী বোলর ইমাম অমসুং সসাংনা ৱিকেট ৩/৩ লৌখি। প্রভাযনা ৱিকেট ১ লৌখি।

মণিপুরনা থল্লম্বা টার্গেট স্কোর অদু য়ৌনবা হোৎনবদা প্রিয়োজিৎ অমসুং মিনতুগী পার্টনর্রসিপনা রন ১৫৭ লৌদুনা মণিপুরগী রন রেট য়াম্না ৱাংনা থল্লমখি।

মণিপুরনা থল্লম্বা টার্গেট স্কোর অদুগী পাউখুম পীবা ঙমদনা অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা বিহারনা ওভর ১৯.১ মায়োক্ন খিবদা শুপ্নগী রন ১৩৭ খক লৌরগা ওল আউট ওইদুনা মণিপুরগী মখুৎতা রন ১১৮ তা মায়থীখি।

বিহারগী রাকেসনা রন ৫, লখন্না ৱিকেট ১, আদরসনা রন ৮, কমলানা রন ১০, সসাংনা রন ১৩, মুশারকনা রন ২, প্রভানা রন ৭, জেফরনা রন ৩৭, আশিরনা রন ৩ লৌখি।

ফিল্ডিং তৌখিবা মণিপুরগী বোলর কেনেদিনা ৱিকেট ৩, সুলটান অমসুং পিয়োজিৎনা ৱিকেট ১/১ লৌখি।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা মায় পাক্লবা মণিপুরগী ওল রাউন্দর প্রিয়োজিৎনা রন ৭৪ লৌরমখিবগা লোয়ননা ৱিকেট ১ লৌদুনা মেন ওফ দ মেচ তাখি। টিম ১৩ না শরুক য়াদুনা চখুরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ সীদা মণিপুর, উত্তরখণ্ড অমসুং বিহারগা পূন্না তারি। মণিপুরনা মথংগী মেচ থা অসিগী ৮ দা পটনাগী বনসিনগরদা লৈবা বিহার ইলেক্ট্রিসিটি বোর্দ ক্রিকেট গ্রাউন্দগা শান্নরগনি।





















Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com